# ইন্দিয়া, পাকিস্তান অমসুং চিনানা অহানবা ওইনা মিলিটরি ড্রিল পাঙথোক্লগনি



***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৯ ঃ***

অহানবা ওইনা ইন্দিয়া পাকিস্টান্না মিলিটরি ড্রিলদা শরুক য়ারগনি। মালেমগী ওইনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা থবক পায়খৎনবা এক্সরসাইজ অদু রুসিয়াদা চৎলিবা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্লবা শেম শারি। অদুগুম্বা মিলিটরি ড্রিল অদুদা চিনা অমসুং মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াসু শরুক য়াগনি হায়রি।

সাংহাই কো-ওপরেসন ওর্গনাইজেসন ফ্রেমৱার্ক মখাদা মিলিটরি এক্সরসাইস অদু পাঙথোক্কদবনি। পাউ অসিগী মতুং ইন্না রুসিয়াগী উরাল হায়না খঙনবা চীংগী লমদম অমদা মিলিটরি ড্রিল অদু পাঙথোক্কনি।

সাংহাই কো-ওপরেসনগী মেম্বর ওইনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াসু ড্রিল অদুদা শরুক য়াগনি। এক্সরসাইজ অদু পাঙথোকপগী মরু ওইবা পান্দমদি পিসমিসন চত্থবগা লোয়ননা সাংহাই কো-ওপরেসনগী মনুংদা লৈবা লৈবাকশিংগী টেরোরিজম থেংনবগী লমদা মরু ওইবা মতেং পীননবা থৌশিল অমনি।

ওফিসিয়েলশিংনা হায়, ইন্দিয়াগী লান্মীশিং মিলিটরি ড্রিল অদুদা শরুক য়াগনি হায়বগী চপ চাবা ৱাফম দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিটারামন্না এস সি ও গী দিফেন্স মিনিষ্টরনা বৈজিংদা হৌখিবা চয়োলদা উন্নখিবা অদুদা ফোঙদোক্লম্লে। ইন্দিয়ানা নীংখা তম্লবা মতুং পাকিস্টানগা লোয়ননা মিলিটরি এক্সরসাইজদা শরুক য়াগদবা হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরে। লৈবাক অনীনা য়ু এন পিসকিপিং মিসনদা লান্মীশিং ফাদুনা শরুক য়াখিবশিং লৈখ্রে।

সাংহাই কো-ওপরেসন (এস সি ও) ইং ২০০১ দা রুসিয়া, চিনা কারজিস রিপব্লিক কজাক্সটাল, তাজিকিষ্টান অমসুং উসবেকিষ্টানগী প্রসিদেন্টশিংনা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লিংখৎখিবনি।

ইং ২০০৫ দগী ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টান ওর্গনাইজেসন অদুদা য়াওরকখি। লোয়ননা মমাঙ চহীদগী মপূং ফাবা মেম্বর অমা ওইরকখি। ইন্দিয়ানা ওর্গনাইজেসন অদুদা য়াওরক্লবা হোৎনবদা রুসিয়ানা ইন্থোক্লবা হোৎনখি।

নাকল অমরোমদা পাকিস্টান্না ওর্গনাইজেসন অদুদা য়াওরক্লবা হোৎনবদা চিনানা শৌগৎখি। ওর্গনাইজেসন অদু মখা তানা পাকথোক চাউথোরকপগা লোয়ননা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়া য়াওরকখি। ইন্দিয়ানা ওর্গনাইজেসন অদুদা য়াওরবা মতুং তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়া টেরোরিজম পূন্না থেংনমিন্ননবগী লমদা থবক তৌমিন্ননবা পান্দম থল্লি।

সাংহাই কো-ওপরেসনন্না সেক্যুরিটি অমসুং রিজনেল এন্টি টেরোরিজম ইষ্ট্রকচর শেমগৎতুনা দিফেন্স অমসুং সেক্যুরিটিগী লমদা থবক তৌননবা হোৎনরি।

ইন্দিয়ানা চিনাগা লোয়ননা মিলিটরি এক্সরসাইজ অদুদা শরুক য়াবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অফবা ফিভম অমদা লৈহন্নবা পান্দম থল্লি।

দোকলাম লমদমদা হৌখিবা চহীদা চিনা অমসুং ইন্দিয়াগী লান্মীশিংগী মরক্তা চাওনা মুক্লবা লৈখিবনা মরম ওইরগা মিলিটরি ড্রিল অদু পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি হায়রি।

## মোদিনা কমন ৱেল্থতা মনা লৌরকখ্রবশিং থাগৎখ্রে

***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৯ ঃ***

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কমন ৱেল্থ গেম ইং ২০১৮ দা মনা লৌরকখ্রবা মীওইশিং মরু ওইনা নুপী শান্নরোইশিংদা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা টেনিস শান্নরোয় টেনিকা বত্রনা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদুবু শীংথাখি। লোয়ননা কমন ৱেল্থ গেম অদুদা মনা লৌরকখ্রবশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, চৎলিবা চহী অসিদা পাঙথোকখিবা কমন ৱেল্থ গেমদা লৈবাক অসিগী নুপীশিংনা লৌরকখিবা থৌনা অদু চাওথোকচনিংঙাই ওইবা অমনি। লৈবাক অসিগী নুপীশিংনা মালেমগী থাক্তা শীংথানিঙাই ওইবা থবক কয়া তৌখ্রে। ইন্দিয়াগী রেসলিং টিমগী মেম্বরশিংদসু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মেদল কয়া লৌরকখিগনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

## কোসি তুরেলদা হি লাকশিনবদা ৮ শিরে ৭ কনবা ঙমখ্রে

***বগলপুর, এপ্রিল ২৯ ঃ***

বিহারগী বগলপুর ফাওনা চেনবা কোসি তুরেলদা হি অমা মথক মখা ওন্দুনা লাকশিনখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই নিপান শিখ্রে অদুগা মীওই তরেৎনা কনবা ঙমখ্রে।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না মীওই কয়া পুবা হি অদুনা তুরেল অদু লান্থোক্লবা হোৎনবদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

মী কনবা কাঙবুনা খুদক্তা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা মী কন্ননবা হোৎনখি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না খুদোংথিবা থোকখ্রবা মফম অদুদগী মীওই তরেৎ কনবা ঙমখি। অদুম ওইনমক মীওই নিপানদি খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রে হায়না ফোঙদোরকখি।

তুরেল অদুদা হি লাকশিনখিবা অদুনা মরম ওইরগা মীওই নিপান ঈরাক্লদুনা লৈখিদ্রে। মীওই কয়া পুবা হি অদু তুরেল খোঙনুং অদুদা লাকপদা অকনবা ঈচেলনা মরম ওইরগা খুদোংথিবা থৌদোক অদু নংখি। হি অদু মথক মখা ওন্দুনা লাকশিনবদা মীওই কয়া খুদোংচাদবা নংহনখি। কয়ানা ঈশিং ঈচেল মরক্তা ইরোয়দুনা নান্থোকহৌখি। হি অদুগী মনুংদা খুদোংথিবা নংদুনা লৈরম্বা মীওই তরেৎতি মী কনবা কাঙবুনা লৌথোকপা ঙমখি। থৌদোক অদুদা মীওই কয়া শিখ্রবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মখা তাবা পাউ ঙাইরি হায়রি।

## পোখরান নুক্লিয়ার চাংয়েংনা ইন্দিয়াগী ন্যুক্লিয়ার শক্তি উৎখ্রবনি ঃ নরেন্দ্র মোদি



***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৯ ঃ***

চহী ২০ গী মমাঙদা পোখরানদা অনীশুবা ওইনা নুক্লিয়ার চাংয়েং তৌখিবা অদুনা ইন্দিয়ানা নুক্লিয়ারগী লমদা তৌবা ঙম্বা অদু উৎখ্রবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইং ১৯৯৮ কী নভেম্বর ১১ দা বুদ্ধ পুর্ণিমাগী মাঙওইননা লৈবাক অসিনা চাংয়েং তৌখিবা অদু নীংশিংখ্রে।

ইং ১৯৯৮ কী মে ১১ দা রাজস্থানগী পোখরানদা লৈবাক অসিনা অনীশুবা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং পাঙথোকখি। চহী ২০ গী মমাঙদা পোখরানদা চাংয়েং তৌখিবা অদু বুদ্ধ পুর্ণিমাগা মরী লৈননা লোদ বুদ্ধনা থৌজালবিখি। চাংয়েং অদু মায় পাকখিবতা নত্তনা লৈবাক অসিনা সাসন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী লমদা তৌবা ঙম্বশিং অদু উৎখি। অদুগুম্বা থৌদোক অদু ইন্দিয়াগী পুৱারী অমা ওইরগদবনি। লান্মীদা হেন্না শক্তি পীগদবা থৌশিলশিং অদু মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমখ্রে হায়না ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মনকি বাদতা ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, লোদ বুদ্ধ পূক্লীং ৱাখলগী ওইবা লমদা শক্তি লৈবা অমসুং তংদু লৈতাবা পুন্সি অমা লৈহন্নবা হোৎনরমখিবা মীওইনি। হৌজিক লৈবাক অসিনা ন্যুক্লিয়রগী শক্তিগী লোয়নবা তংদু লৈতাবা পুন্সি মহিং অমা লৈহন্নবা হোৎনরি।

বুদ্ধনা থম্মোয় মনুংগী ওইবা ৱাফমশিংদা খুদুম চন্দুনা শান্তি পুরক্লবা হোৎনখি। মদুগা মান্ননা হৌজিক লৈবাক অসিনা লম কয়া য়েংলগা তংদু লৈতাবা অমসুং শান্তি লৈহন্নবা হোৎনরি।

ইং ১৯৯৮ কী মে থাদা অনীশুবা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং পাঙথোকখিবা অদু খ্বাইদগী মরু ওইবা অমনি। মদুনা লৈবাক অসিবু মালেমগী থাক্তা লৈবা সাইন্টিষ্ট অমসুং লুচিংবা কয়া লৈ হায়বদু উৎথোক্লে।

ইন্দিয়াদা অচৌবা সাইন্টিষ্ট অমসুং লুচিংবা কয়া লৈ। অদুগুম্বা চাংয়েং তৌখিবা মতম অদুদা অটন বিহারি বাজপাইনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা হায়রগদি লান্মীশিংনা য়াইফরে, লৌমীশিং য়াইফরে, বিগ্যান্না য়াইফরে হায়না খোল্লাও কয়া লাওখিবনি হায়রি।

## টোরেগস কম্ম্যুনিটিগী য়ামদ্রবদা মীওই ৪০ হেনবা জিহাদিষ্টকী লম্মন খুন্বা এটেক্তা হাৎখ্রে



***বমাকো, এপ্রিল ২৯ ঃ***

ৱেষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক অমা ওইরিবা মালিদা কাঙলুপকী ইরাংগা মরী লৈননা চিংনবা জিহাদিষ্ট কাঙলুপ্তা মালিগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদা লম্মন শিংবগী মওংদা চত্থখিবা এটেক অনীদা য়ামদ্রবদা টোরেগস কম্ম্যুনিটিগী মীওই ৪০ হাৎখ্রে।

টোরেগস কম্ম্যুনিটি অসি মালি অমসুং য়ুম্লোনবা লৈবাকশিংদা লৈবা পুৱারীদগী লাক্লবা নোমেদিক কাঙলুপ অমনি। কাঙলুপ অসিগী মীওই ৪০ জিহাদিষ্টশিংনা হাৎখিবা অদুগী অচৌবা মরম অমা ওইরকখিবা অদু হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা টোরেগসনা জিহাদিষ্টশিংদা বেজশিংদা এটেক্ট চত্থরকখিবা অদুনা ওইরি।

মালি লৈঙাক্তা টোরেগসশিংগা কুমজা ২০১৫ দা তংদু লৈতাবগী য়ান্ন-চে ইখিবা অদুগী মখা তারকপদা জিহাদিষ্টশিংনা পেন্দবা মায়কৈ কয়া য়াওখিবা অদুনসু অচৌবা মরম অমা ওইরি হায়না থাজবা য়াবা পাউ অমনা হায়রি।

মালিগী অৱাং নোংপোক থংবগী অয়াম্বা শরুক হায়রিবা য়ান্ন-চে অদুনা কোনশিনবা ঙমদনা ইরাং থোক্তুনা লাকখিবনি। কুমজা ২০১২ দা টোরেগসনা হায়রিবা জগা অদুগী মফম খরা খুদুম চনখি। মদুদা পুৱারীগা থান্নবা য়াদ্রবা মফম অমা ওইরিবা টিমবুকটু সিটিসু য়াওখি।

সিটি অসি কুমজা ২০১৩ গী মমাঙদা অল কাইদাগা খুৎলিংবা ইস্লামিষ্ট ফাইটরশিংনা লৌশিনখি। অদুবু লৈবাক অদুগী লৈঙাক্লা ফ্রান্সকী লৈঙাকক্কী মতেংগা পুন্না পায়খৎখিবা মিলিটরি ওপনরেসন অমদা ইস্লামিসশিং অদুবু তকথোকখিবনি।

পনবা য়াবদি টোরেগস অমসুং আরব কাংলুপশিংনা কুমজা ১৯৬০দা ফ্রান্সকী লৈঙাক্লা লৌশিল্লম্বা মতম অদুগী মতুং নিংতম্বা ফংলকপদগী হৌরগা মালিগী অৱাং-নোংপোক মফম অদুদা য়ামদ্রবদা কাংলুপ অনীগী ইরাং ৩লকশুবা ওইনা হৌরকপা লৈখ্রবনি।

## পেলেষ্টাইনগী মীওই অহুম হাৎখ্রেঃ গজা ওফিসিএল

***গজা, এপ্রিল ২৯ ঃ***

ইজরেল অমসুং পেলেষ্টাইন লৈবাক অনীগী লিশাং শিংনা লাক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা ঙসি লৈবাক অনীগী লোন্নবা মফম অমা ওইরিবা গজাগী মফম অমদা পেলেষ্টাইনগী সপোর্টর অহুম ইজরেলগী ফোর্সনা কাপখিবা নোংমৈনা পান্দুনা শিখ্রে হায়না পেলেষ্টাইনগী মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ঙসিগী থৌদোক অদু মমাংগী চয়োল ৫ চুপ্পা চত্থরকপা মীয়ামগী ওইবা য়ানিংদবা খোঙচৎ অমগী মনুং চনখিবনি। খোংজং অদুগী মরু ওইবা দিমান্দদি ইজরেলনা লৌশিন্দুনা লৈখ্রবা মমাংদা পেলেষ্টাইনগী মৈহৌরোলগী মফম অমা ওইরিবা মফম অদুদা রেফিয়্যুজিশিং হলহনবা য়ানবা হোৎনরকপনি।

নাকল অমরোমদা ইজরেলগী মায়কৈদগী গজাগী মফম অদুবু কন্ট্রোল তৌরিবা মিলিটেন্ট গ্রুপ হমাসতা মরাল শীরদুনা য়ানিংদবা খোঙজং অদুনা চৈঙাক ওইরগা ইজরেলদা এটেক্ট চত্থনবা হোৎনবনি হায়না মরাল শীরক্লি।

ইজরেল অমসুং পেলেষ্টাইন লৈবাক অনীগী তাইনফম অদুদা লৈবা মফম ৫দা খোঙজং চঙশিল্লিবা লুপশিং অদুনা মিলিটেন্ট লুপ হমাসকী চাওরবা মতেং য়াওখি হায়না ৱারোল কয়াদা ফোংদোরক্লি।

ইজরেলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা ৱারোলগী মতুং ইন্না মীওই চা কয়ানা পেলেষ্টাইনগী ইহৌরোইশিং অদুনা লৈবাক অনীগী তাইনবা মফম অদুদা লৈবা শম্বল কয়া মৈ থান্নবা হোৎনখি হায়রি।

অতোপ্পা পাউ অমদা হ্যুমেন রাইটস গ্রুপ ওইরিবা এমনেষ্টি ইন্টর্নেসনেলনা ফোঙদোরকপদা ইজরেলগী মায়কৈদগী পেলেষ্টাইনদা চত্থরিবা খোঙজং অদু অরানবনি হায়খি।

## এন সি পি গী ৱার্কর অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে

***অহমেদ নাগর, এপ্রিল ২৯ ঃ***

অহমেদ নাগর দিষ্ট্রিক্তা ঙসি নুমিদাংৱাইরম মশক খঙদবা মীওই অহুম্না নেস্নেলিষ্ট কংগ্রেস পার্টি (এন সি পি) গী ৱার্কর অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে।

চয়োল অহুমগী মমাঙদা সিব সেনাগী লুচিংবা অমসুং চপ মান্নবা মওংদা হাৎখিবসু লৈখ্রে। এন সি পি গী ৱার্করশিং অদুনা জমখেৎ সহরগী মেন রোদ মনাক্তা লেপ্তুনা লৈরিঙৌদা মোর্তোর সাইকল তোংদুনা লাকপা মীওইশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদু ঙসি নুমিদাংৱাইরম পূং ৬.২০ রোম তবদা থোকখিবনি হায়না এস পি রাজন কুমারনা ফোঙদোরকখি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু মশকমমিং খঙদোকপা ঙম্লে। মখোয় অদুদি এন সি পি গী ৱার্কর য়োগেস অম্বাদাস রালেবট (৩০) অমসুং এন সি পি য়ুঠ ৱিংগী লুচিংবা রাকেস আর্জুন রালেবট (২৩) নি হায়রি।

থৌদোক অদুগীমতাংদা পুলিসনা থিগৎপগী থবক চত্থখ্রে। মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই অমত্তা ফাবা লৈত্রি হায়রি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না মীহাৎ অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং অদু খঙদোকপা ঙম্লবদি করিগীদমক মীহাৎ অদু চত্থরম্লিবনো হায়বা খঙবা ঙমগনি।

মিনিষ্টর রাম সিন্দেনা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী হকচাং থল্লিবা মফম অদুদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। এন সি পি গী খোইশালনরবা থৌমী কয়ানা খোল্লাও কয়া লাওদুনা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে। মিনিষ্টরনা মফম অদুদা য়েংশিনবা লাকখিবা অদুবুসু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

চৎলিবা থা অসিগী তরেৎতা মোর্তোর সাইকল অদা লাকখিবা মীওই অনীনা শিব সেনাগী ৱার্কর অনী অহমেদ নাগরদা হাৎলমখিবসু লৈখ্রবনি হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরকখি।

## রোহিংয়াশিংনা বাংলাদেশতা থোমজিল্লকখিবনা মরম ওইরগা খা থংবা এসিয়াগী শরুক্তা সেক্যুরিটিগী লমদা শীংনবা কয়া থোকহল্লে

***অগর্টলা, এপ্রিল ২৯ ঃ***

ম্যান্মারগী রখিন ষ্টেটতা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক কয়া থোকখ্রবা মতুং রোহিংয়া কয়া বাংলাদেশতা চেনশিল্লকখিবা অদুনা রিজন অসিদা সেক্যুরিটিগী ওইবা শীংনবা কয়া মায়োক্লহল্লে হায়না বাংলাদেশতা লৈরিবা ইন্দিয়ান হায় কম্মিস্নার হরসাবরধন সিংলানা ফোঙদোকখ্রে।

ম্যান্মারগী রখিন ষ্টেটতা লৈরম্বা রোহিংয়া কয়া বাংলাদেশতা চেনশিল্লকখিবা অদুনা বাংলাদেশ খত্তঃদা খুদোংচাদবা থোকহনবতা নত্তনা রিজন অসিদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে।



ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা রোহিংয়া কয়া চঙশিল্লকপগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে। বাংলাদেশনা ওইরিবা ফিভম অদু হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। ইশু অদু য়ুনাইটেদ নেসন্সতা পুখৎপগা লোয়ননা বাংলাদেশ অমসুং ম্যান্মারগী লান্মীশিংগী মরক্তা য়ানবা ৱাফম অমা পুরক্লবা ৱারী শান্নবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়রি।

বাংলাদেশ অমসুং ম্যান্মারনা রোহিংয়া মুস্লিমশিংগী মতাংদা এগ্রিমেন্ট অমা সাইন তৌনখিবসু লৈখ্রে। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অদু মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌদোক অমনি। বাংলাদেশতা রোহিংয়া মুস্লিম কয়া চেনশিল্লকখিবা অদুনা লৈবাক অদুগী সেক্যুরিটিগী লমদা চাউনা শীংনবা অমা মায়োক্লরি। বাংলাদেশকী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা রোহিংয়া রিফ্যুজি মিলিয়ন ১.১৫ চঙশিল্লকখ্রে হায়বগী রিপোর্ট লৈ।

রখিন ষ্টেটতা ম্যান্মার মিলিটরিনা মমাঙ চহীগী আগষ্ট থাদা ওপরেসন চত্থরকখ্রবা মতুং মীওই লাক্ষ কয়া ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নরকখি।

কোক্স বজার লমদমদা বাংলাদেশতগী চঙশিল্লকখিবা মীওই কয়া চঙজফম লৌদুনা লৈরি। ইন্দিয়ান ইনভোইনা প্রাইম মিনিষ্টর সৈখ হসিন্দা হৌজিক ওইরিবা টেরোরিজমগী থৌওংশিং অদু খাঙবা ঙম্লোইদবা অমনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

ইং ২০১৬ কী জুলাই থাদা বাংলাদেশকী কোনুং ধাকাদা লৈবা হোলি আর্টিসান বেকরিদা টেরোরিষ্টশিংনা এটেক্ট চত্থরকখিবা লৈখ্রে। লমদম অদুদা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙমদবগী ফিভম অমা লৈরি। অদুম ওইনমক অচৌবা খুদোংথিবা থোকপগী পাউ লৈত্রি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না রোহিংয়া রিফ্যুজি ১৮ ট্রিপুরাগী খোৱাই দিষ্ট্রিক্তা চঙশিল্লকপদগী ফাগৎখিবা লৈখ্রে। অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা রোহিংয়া মুস্লিমশিং চঙশিল্লকপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি।

ট্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপলব কুমার দেবনা ফোঙদোরকখিবদা শগোলশেন নুমিত্তা হায়কম্মিস্নারগী মীফম পাঙথোকখ্রে। মখা তানা ষ্টেট অদুদা মীতোপশিং চঙশিল্লকপা য়েংশিন্ননবা থবক পায়খৎনবসু খঙহনখ্রে হায়রি।

মীফম অদুদা ষ্টেট অদুগী লম্বী থোং ফগৎহন্নবা, মীয়ামগী মরক্তা থাজবা থম্নবা অমসুং ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশকী মরক্তঃা অপনবা লৈতনা চখোক চৎশিন তৌবা য়াহন্নবা অমসুং ললোন ঈতিক তৌননবগী মতাংদসু খন্নখি হায়রি।

বাংলাদেশতা লৈবা ইন্দিয়ান ইনভোইনা ফেঙদোরকখিবদা লৈবাক অনীগী ঙমখৈশিংদা শান্তি থম্বতা নত্তনা ললোন ঈতিক তৌননবা অমসুং মালেমগী ওইনা তংদু লৈতাবা ফিভম অমা ওইহন্নবা থৌশিল পায়খৎলি।

চিনানা বাংলাদেশতা শেল হেন্না থাদদুনা মরী ফগৎহন্নবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশকা লৈনরিবা মরী অদু তংদু লৈতাবা অমসুং মহুৎ শিনবা য়াররোইদবা অমনি হায়রি।

ইন্দিয়ানা বাংলাদেশকী সব মেরিন কেবন কম্পনিদা চাওনা মতেং পাংখিবসু লৈখ্রে। লৈবাক অসিনা য়ুম্লোন্নরিবা লৈবাকশিংগী অফবা মরী থম্ননবা ফিরেপ অমগা লোয়ননা থবক কয়া তৌরি। অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট অমা ওইরিবা মণিপুরদা রোহিংয়া মুস্লিমশিং ফাবগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা অৱাং নোংপোক লমদমদা রোহিংয়াশিং চঙশিল্লকপা য়াবগী অকিবা অদু হেনগৎহল্লে হায়রি।

## GAS TODAY

**Lambodara Indane**
Booking : 16/04/18
Valid : 02/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 05/04/18
Valid : 03/04/18
Stk : 576
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**K & K Indane Service**
Booking : 26/03/18
Sl. No. 250
Valid : 19/03/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00am

**Yairipok Gas Service**
Booking : 15/03/18
Sl. No. 3450
Valid : 01/03/18
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Imphal LPG Service**
Booking : 10/04/18
Sl. No. 7900
Valid : 01/12/17
Stk : 450
Delivery at Heinoupok Godown

**Canchi Indane**
Booking : 29/03/18
Valid : 25/03/18
Stock : 612
Rate : Rs. 762.50/-
Time : 08.00 to 10.30 a.m

**RBD Gas**
Booking : 24/03/18
Valid : 28/02/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 17/04/18
Valid : 13/04/18
Sl. No. 13996 to 14266
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 21/03/18
Valid : 17/03/18
Sl. No. 8371 upto 9050
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 23/03/18
Valid : 15/03/18
Sl. No. 212785
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Athokpam Indane**
Booking : 11/03/18
Valid : 01/03/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**R & H Indane**
Booking : 25/02/18

**সনা-সুদোকু -১১৫২ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 2 | 4 | 5 | 9 | 7 | 6 | 8 | 1 |
| 6 | 1 | 8 | 2 | 3 | 4 | 9 | 5 | 7 |
| 5 | 7 | 9 | 6 | 1 | 8 | 2 | 4 | 3 |
| 4 | 3 | 6 | 7 | 8 | 2 | 5 | 1 | 9 |
| 1 | 9 | 5 | 4 | 6 | 3 | 8 | 7 | 2 |
| 7 | 8 | 2 | 9 | 5 | 1 | 3 | 6 | 4 |
| 9 | 5 | 3 | 1 | 7 | 6 | 4 | 2 | 8 |
| 2 | 6 | 1 | 8 | 4 | 9 | 7 | 3 | 5 |
| 8 | 4 | 7 | 3 | 2 | 5 | 1 | 9 | 6 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1153**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 9 | | | 2 |
| | | 3 | 1 | | | | | |
| 8 | | | | | | | 6 | 4 |
| | 1 | 7 | 8 | | | 6 | 2 | |
| | 4 | | 6 | | | | | |
| | 6 | | | 2 | 1 | | 5 | 8 |
| 7 | | | | | | | 1 | |
| 6 | | | | 8 | | | 3 | |
| | | | | | | 7 | 4 | |